**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.45 PM**
**(Date: 02-06-2025)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) রাজ্যগী মফম কয়াদা নৌনা ঈশিং থুমজিল্লক্কুনা হৌজিকসু ঈশিং ঈচাউগী ফিভম লুনা লৈরি।

২) মণিপুরগী মরুওইবা তুরেল অয়াম্বগী ঈমায় তপা তপা হন্থরক্লি, মণিপুর তুরেলগী ঈমায়দি ৱাংখৎলক্লি।

৩) পোৎ চৈগী মমল হেন্না য়োন্দনবা অমদি আইন্না য়াদবা মওংদা পৈশিন্দুনা থমদনবা কঞ্জুমর এফ্যারস ফুড এন্দ পাব্লিক দিষ্ট্রিব্যুসন দাইরেক্তোরেটনা হায়রি।

৪) প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা ঙসি নিউ দিল্লিদা পেরাগুৱেগী রাষ্ট্রপতি সান্তিয়াগো পেনা পেলাসিওজগা মীহুৎ কাংবুগী থাক্তা ৱারী শান্নখ্রে।

অমসুং

৫) লৈবাক অসিদা ইলেক্ট্রিক পেসেঞ্জর কার শাবদা পুকিং থৌগৎনবা থৌরাং অমদি চৎন কাংলোনশিং সরকারনা লাউথোক্লে।

------

ঈচাউ (এল)ঃ নৌনা মফম কয়াদসু ঈশিং থুমজিল্লকপগা লোয়ননা মণিপুরদা হৌজিকসু ঈশিং ঈচাউগী ফিভম লুনা লৈরি। ইম্ফাল ইষ্ট জিলানা ঈচাউ অসিনা খ্বাইদগী হেন্না শোকহল্লবা জিলা ওইরি। ইম্ফাল তুরেল, ইরিল তুরেল অমসুং

কোংবা তুরেলদগী পাথোক্তুনা অমদি লৌনম্বাল কায়দুনা চেনশিল্লকপা ঈশিংনা জিলা অসিগী মফম কয়া নৌনা অমুক থুমজিল্লে।

ইম্ফাল ৱেষ্ট অমসুং বিষ্ণুপুর জিলাশিংদসু মফম খরদা ঈচাউগী অৱাবা মায়োকবা হৌরে। জিলাশিং অসি ফাওদুনা চেল্লিবা তুরেলশিংগী ঈমায় ৱাংখৎলকপা মরমনা মতম অমদা হেক্তা ঈচাউ থোরকপা য়াবগী ফিভম লৈরি।

ঙসি অয়ুক ময়াং ইম্ফালগী হয়েল হঙ্গুন মপাদা ইম্ফাল তুরেলগী লৌনম্বাল কাইরকপদগী মফম অদুগী অকোইবদা নৌনা ঈচাউগী অৱাবা মায়োকরে। হৌজিকসু তোর্বান কায়রিবা মফমশিং থিংনবা আর্মি, অসাম রাইফলস, ফায়ার সার্ভিস, এস.দি.আর.এফ, এন.দি.আর.এফ, মণিপুর পুলিস, অরাম্বাই তেঙ্গোল, দেসাম, এম.এস.এফ, এমসু অমসুং কে.এস.এ, অমদি অতোপ্পা লন্নাই লুপশিং অমসুং মফম অদুগী মীয়াম য়াওনা কন্না হোৎনখি। ময়াং ইম্ফালগী তোর্বানা কায়রিবা ফিভম অদু কেন্দ্র অদুগী এম.এল.এ- কোংখাম রোবিন্দ্রোসু লাক্তুনা ফিভম অদু য়েংশিনখি হায়রি।

সেনাপতি অমসুং কাংপোকপী জিলাদসু হৌজিক ফাওবা ঈচাউগী ফিভম থোইনা ফগৎপা লৈতে হায়রি। মরক অসিদা, ঈচাউগী অৱাবা নংলবা মফমশিংদা মী কনবা অমসুং তেংবাং পীবগী থবক লেপ্তুনা চত্থরি।

মরক অসিদা, কোকোমিনা ঈচাউগী অৱাবা নংলবশিংবু মতেং পাংনবগীদমক খুরাই লমলোং কৈথেলদা ফ্লড রিলিফ এন্দ ইম্মরজেন্সি হেল্প লাইন সেন্তর অমা হাংদোক্লে। মসিগী টেলিফোন নম্বরশিংনা- **9863738741, 9366813406** অমদি **9612138445** নি। চেরোল অমদা কোকোমিনা হায়- লুপ অসিগী কনভেনরনা লুচিংবা মীওই ৮ না শাবা টিম অমনা ঙরাং ঈচাউ নংলবা মফম কয়া চত্তুনা ওইরিবা ফিভম অদু হকথেংননা য়েংশিনখি। পার্মেনেন্ট ষ্টেট দিজাষ্টর রেস্পোন্স টাস্ক ফোর্স অমা শেম্বীনবা অমসুং ঈচাউ থোক্কনবা মফমশিংদা ফ্লড মেনেজমেন্ট এন্দ দ্রেনেজ ইনফ্রাষ্ট্রকচর শেমগৎপীনবা য়াওনা তোঙান তোঙানবা ৱাফম ৭ সু থবক্তা ওন্থোকপীনবা লুপ অসিনা সরকারগী পুকিং চিংশিল্লি।

নোং (এল)ঃ মণিপুরগী মরুওইবা তুরেল অয়াম্বগী ঈমায় তপা তপা হন্থরক্লি। রাজ্যগী ইনফোর্মেসন এন্দ পাব্লিক রিলেসন্স বিভাগকী চেরোল অমদা হায়- ঙসি নুংথিল পুং অনিদা ওনবদা ইম্ফাল, ইরিল, নম্বুল, থৌবাল অমদি নম্বোল তুরেলশিংগী ঈশিং ঈমায় হন্থরক্লি। নম্বোল তুরেলগী ঈশিংগী ঈমায় হন্থরক্লবসু ঈচাউ থোকপা য়াবা থাক্কী মথক্তা চেল্লি।

অমরোমদা, মণিপুর তুরেলগী ঈশিং ঈমায়দি লেপ্পা লৈতনা হেনগৎলক্লি। মণিপুরদা নোং চুবগী চাং ঙরাংগা য়েংনবদা ঙসিনা খরা হন্থখি। অদুমওইনমক, ইন্দিয়া মেতিওরোলোজিকেল দিপার্টমেন্ট ইম্ফাল সেন্তরগী পাউ মতুংইন্না মণিপুরদা মখা তানা নোং চুখিগনি হায়রি।

তমেংলোং (এল)ঃ নেসনেল হাইৱে ১৩৭ কী নামতিরাম-টু অমসুং ফেলোং ভিলেজগী মরক্তা চীং নীংখায়দুনা লম্বী নমথখিবদগী তৌসেম সবদিভিজনগী লাইফ লাইন ওইরিবা লম্বী অসি ফাওনদ্রে হায়রি।

ঐখোয়গী তমেংলোং রিংবাম কামৈনা মফম অদুগী খুঞ্জাশিংগী পাউ পল্লদুনা হায়- লম্বীগী শরুক অদু ফিভম থিনা শোকপা মরমনা শেমজিনবদা মতম শাংনা চংলবা য়াই। হায়রিবা লম্বী পরিং অসিগী অতোপ্পা মফম খরদসু লেন্দ স্লাইদ থোকপগী পাউ ফংই। মফম অদুগী খুঞ্জাশিংনা অমাং অতা থোকখ্রবা লম্বীগী শরুক অসি থুনা শেমজিনবীনবা মরী লৈনবশিংগী পুকিং চিংশিল্লি।

সিংদা (এল)ঃ সিংদা ডামগী হৌজিক ওইরিবা ফিভম অসিদা মীপাইনিঙাই অমত্তা লৈতে। ইনফোর্মেসন অমসুং পাব্লিক রিলেসন্স দিপার্টমেন্টনা হায়- ডাম অসি ষ্ট্রকচরগী ওইনা অশোই অঙাম লৈতবা অমসুং মসিগী দিজাইন পেরামিতর মনুংদা মথৌ নিংথিনা তৌরি। খুদক্তা ওভর টোপ্পিং তৌরক্কনি হায়বগী খুদোংথিবা লৈতে। ডাম অসিদা নিংথিনা দিজাইন তৌরবা ওজি স্পিলৱে সিষ্টেম য়াওরি। মসি অহেনবা ঈশিং চংশিল্লকপদা অশোই অঙাম য়াওদনা থাদোকখিনবা শেম্বনি। ডাম অসিদা ঈশিং চংলকপা অমসুং থাদোকখিবা লেপ্তনা মোনিতর তৌরি অমসুং ৱাটর

রিছোর্সেস দিপার্টমেন্টনসু ঈশিং হেঞ্জিল্লকপদা কন্ত্রোল গেট ওপরেসনগী খুখাংদা রেগুলেট তৌনবা মপুং ফানা শেম শাদুনা লৈ হায়রি।

ঈশিং (এল)ঃ হৌজিক ঈশিং ঈচাউ থোক্লিবা অসিনা মরম ওইদুনা পোরোমপাৎ ৱাটর ত্রিটমেন্ট প্লান্ট, রামানিয়া এন্দ থম্বালখোং ৱাটর সপ্লাইনা কোনবা মফমশিংদা ঈশিং পীবা ঙমখিরোই হায়রি।

পাব্লিক হেলথ ইঞ্জিনিয়ারিং দিপার্টমেন্টকী চেরোল অমদা হায়- ঈশিং ঈচাউগী ফিভম ফগৎলক্লবা মতুংদা মীয়ামদা ঈশিং পীনবা থবক পায়খৎকনি।

পোৎ (এল)ঃ ঈশিং ঈচাউ অমসুং চীং নীংখায়বগী থৌদোকশিং থোক্লবসু মীয়ামগী তঙাইফদবা পোৎলমশিং ফংহন্নবা কঞ্জুমর এফ্যারস ফুড এন্দ পাব্লিক দিষ্ট্রিব্যুসন দাইরেক্তোরেটনা থবক কয়া লৌখৎলি।

বিভাগ অসিগী দিরেক্তরনা থোকপা চেরোল অমদা হায়- মহৌশাগী খুদোংথিবা থৌদোকশিং অসিগী খুদোংচাবা লৌদুনা দুকান ফম্বশিং নত্রগা করবার-ৱালাশিংনা পোৎ মমল হেন্না য়োনবা নত্রগা আইন কায়না পৈশিন্দুনা থম্বা য়ারোই। অসিগুম্বা থৌওংশিং চত্থরম্বশিংগী মথক্তা আইনগী ওইবা থবক লৌখৎকনি। কনাগুম্বশিংনা অসিগুম্বা থৌওংশিং চত্থরম্বা থেংনরবদি টেলিফোন নম্বরশিং- **7005319645** নত্রগা **9862619525** তা পাউ পীরকপা য়াগনি হায়রি।

ককচিং (এল)ঃ নেসনেল হাইৱে-১৩৭-এগী ককচিং লমখায়দগী ৱাবগাই লমখায় ফাওবগী মরক্তা লনাই মীওইশিং অমদি দুকান ফম্বশিংনা পোৎ চৈ পৈশিনবদগী ঈশিংগী ঈচেলদা অপনবা থোক্লিবশিং কোকহনবীনবা জোইন্ট নন-গভর্নমেন্ট ভোলুন্তরি ওর্গনাইজেসন ককচিংনা ঙসি জিলা অসিগী দিপ্যুতি কম্মিসনার অমসুং ককচিং ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী চেয়ারপার্সনদা ৱাকৎ চেরোলশিং পীশিনখ্রে।

ভেটেরিনারি (এল) ঃ   রাজ্যগী হৌজিক ওইরিবা ঈশিং ঈচাউগী ফিভম অমদি মহৌশানা থোকহনবা অমাং অতাশিংগী থৌদোকশিংগা মরী লৈননা য়ুমদা লোইরিবা শা-ষনশিং মশা মউ ফনা থমবা অমদি লায়না তিলনাদগী ঙাকথোকবা থবকশিং য়েংশিন্নবা মণিপুরগী দাইরেক্তোরেট ওফ ভেটেরিনারি এন্দ এনিমেল হজবেন্দরি সার্ভিসেসনা মরী লৈনবা দিষ্ট্রিক্ট নোদেল ওফিসারশিংগী মীং লাউথোককখ্রে।

দিরেক্তোরেট অসিনা থোকপা চেরোল অমনা হায়- সেনাপতি, চুরাচান্দপুর, ফেরজোল, বিষ্ণুপুর, উখ্রুল, কামজোং, তমেংলোং, নোনে, চান্দেল, থৌবাল, ককচিং, ইম্ফাল ইষ্ট অমসুং কাংপোকপী জিলাশিংগী ওইনা দিরেক্তোরেট অসিগী মরী লৈনবা জিলাগী জোইন্ট দিরেক্তরশিংনা নোদেল ওফিসার ওইগনি। অদুগা ইম্ফাল ৱেষ্ট, তেংনৌপল অমসুং জিরিবামগী ওইনা দিপ্যুতি দাইরেক্তরনা নোদেল ওফিসার ওইগনি। মসিগা লোয়ননা দিপার্টমেন্ট অসিগী মোইবাল ভেটেরিনারি য়ুনিতকী টোল ফ্রি নম্বর ১৯৬২ দা অয়ুক পুং ৯ দগী নুমিদাংৱাইরম পুং ৫ ফাওবা কন্টেক্ট তৌরকপা য়াগনি।

রঞ্জন (এল)ঃ   অৱাং নোংপোক লমদমদা হৌজিক লৈরিবা জিও পোলিতিক্স অমসুং লমদম অসিগী ফিভম য়েংলগা মপানদগী শিংনরকপশিং নিংথিনা থেংনবা ঙমবা অখন্নবা থৌরাং মরি লৌখৎপীনবা হান্নগী কেন্দ্রগী রাজ্য মন্ত্রি ডাঃ আর.কে. রঞ্জন সিংহনা প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিদা ঙসি চেরোল অমা থাদুনা তকশিনখ্রে। হিরম মরি অদুগী মনুংদা মপান লমদগী চংলকপা অনদোক্কুমেন্টেদ ইম্মিগেন্টশিং মরৈবাক্তা হলহনখিবা য়াওরি।

অনসম (এল)ঃ   ওল নাগা ষ্টুদেন্টস এসোসিয়েসন (অনসম)না নাগা তাবা চীংগী জিলাশিংদা ঙসিদগী কৌখিবা সরকারগী ওফিসশিং থিংজিনবা খোঙজংগী শরুক অমা ওইনা সেনাপতি জিলাদা জিলা অদুগী তোঙান তোঙানবা মহৈরোই লুপশিংনা বেঙ্ক য়াওনা সরকারগী ওফিসশিং থোঙ লোনশিনখ্রে। তমেংলোং জিলাদসু খোঙজং অসি শৌগৎতুনা জিলা অদুগী মহৈরোই লুপ কয়ানা সরকারগী ওফিসশিং

থোঙ লোনখি। ফ্রি মুভমেন্ট রেজিম অমসুং ঙমখৈ শন্বল খাবগী থৌওংবু য়ানিংদবা ফোংদোক্তুনা অসনমগী লমজিং মখাদা ঙসি চান্দেলগী দি.সি. ওফিস, এ.দি.সি ওফিস, এস.দি.ও ওফিস অমসুং এস.বি.আই চান্দেল ব্রাঞ্চকী ওফিসনচিংবদা খোঙজং চংশিনখি।

কাংপোকপী (এল)ঃ কাংপোকপী জিলাদা রাজ্য সরকারগী হোর্তিকলচর দিপার্টমেন্টনা লৌমীশিংদা হার য়েন্থোকখ্রে। কৈথেল মানবী মিলিটরি কোলোনিদা লৈবা কম্ম্যুনিতি হোলদা পাঙথোকপা থৌরম অমদা চম্ফাই ব্লোক্কী মনুং চনবা খুঙ্গংশিংগী এগ্রিকলচর স্মার্ট কার্দ পায়বা লৌমীশিং ২০০ রোমদা য়ুরিয়া হার বেগ অমমম য়েন্থোকখি।

প্লাষ্টিক (এল)ঃ মালেমগী ইনভাইরোনমেন্ট নুমিৎ ২০২৫ গা মরী লৈননা মালেমগী ওইনা প্লাষ্টিকা থোকহনবা পোল্লুসন লোইশিনহনবা অমসুং উ থাবা হায়বা ৱাখল্লোনদা কলেজ থাক্কী সিম্পোজিয়ম কম্পিতিসন অমা ঙসি থম্বাল মরিক কলেজ, ওইনামদা পাঙথোকখ্রে।

লাই (এল)ঃ কংলৈ উমং লাই হরাউবা ২০২৫ হায়বা ৱাখল্লোনদা নুমিৎ ৭ নি চথুগদবা রাজ্য থাক্কী ৱার্কসোপ অমা ঙসিদগী থৌবাল জিলাগী নোংপোক চীংদা হৌখ্রে।

পিএম ঃ প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা ঙসি নিউ দিল্লিদা পেরাগুৱেগী রাষ্ট্রপতি সান্তিয়াগো পেনা পেলাসিওজগা মীহুৎ কাংবুগী থাক্তা ৱারী শান্নখ্রে। উন্নবা অদুদা লুচিংবা অনিনা লৈবাক অনিগী লৈনরিবা মরী পুমমক কুপা খন্নখি।

প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হায়- দিজিতেল টেকোলোজি, লৌউ শিংউ, ঙাকশেল, রেলৱেজ অমসুং স্পেচ য়াওনা তোঙান তোঙানবা লমশিংদা লৈবাক অনিনা থবক তৌমিন্নবা য়াবা য়ামা লৈ। মহাকা হায়- তেরোরিজম থেংনবদা ভারত অমসুং পেরাগুৱেনা পুন্না লেপ্পি।

শ্রী পেলাসিওজ নুমিৎ হুমিগী ওইবা সরকারগী খোঙচৎতা ভারত্তা লাকপনি। মপান থৌরম মন্ত্রি ডাঃ এস. জয়শঙ্করনসু রাষ্ট্রপতি পেলাসিওজগা উন্নখি।

ইভি ঃ লৈবাক অসিদা ইলেক্ট্রিক পেসেঞ্জর কার শাবদা পুকিং থৌগৎনবা থৌরাং অমদি চৎনা কাংলোনশিং সকরারনা লাউথোক্লে। নিউ দিল্লিদা ঙসি পাউমীশিংদা ৱা ঙাংবদা হেভি ইন্দষ্ট্রিজ মন্ত্রি এ৺চ.দি. কুমারাস্বামিনা হায়- ভারতনা মপান লমদগী য়ামদ্রবদা দোল্লার লিশিং ৩৫ পীবা ইলেক্ট্রিক কারশিং পুশিল্লকপদা চাদা ১৫ গী চাংদা অপিকপা ইম্পোর্ট টেক্স লৌগনি। মসি মালেমগী ওইনা মমিং লৈরবা অচৌবা কার ব্রান্দশিং পুশিল্লকপা ঙমহন্নবনি। মহাকা হায়- কম্পনিশিং অদুনা লৈবাক অসিদা শেল থাদবা অমসুং ইলেক্ট্রিক কার শাগে হায়না য়ারবা মতমদতা কান্নবা অসি পীগনি। মন্ত্রিনা হায়- হৌজিক ফাওবদা মার্সিদিজ বেঞ্জ, কিয়া, হুনদাই অমসুং স্কোদানা থৌরাং অসিগী অপাম্বা ফোংদোরক্লে।

আইপিএল ঃ আই.পি.এল ক্রিকেটকী ফাইনেলদা হয়েং পঞ্জাব কিংসকা রোয়েল চেলেঞ্জরস বেঙ্গলুরুগা অহমেদবাদকী নরেন্দ্র মোদি ষ্টেদিয়মদা শান্নরগনি। ফাইনেল মেটচ অসি হয়েং নুমিদাং পুং ৭ মখায়দগী হৌগনি।

অহমেদবাদকী নরেন্দ্র মোদি ষ্টেদিয়মদা ঙরাং শান্নখিবা অনিসুবা ক্বালিফায়রদা পঞ্জাব কিংসনা মুম্বাই ইন্দিয়ান্সপু ৱিকেট ৫ দা মায়থিবা পীদুনা ফাইনেল চংখিবনি।

চেস ঃ নোরৱে চেস ওপনদা অহানবা ওইনা ভারতকী অমসুং ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন গুকেস দোমারাজ্‌না হান্নগী মঙারক চেম্পিয়ন ওইখ্রবা মেগনাস কার্লসেলবু মায়থিবা পীখ্রে। মসিগা লোয়ননা গুকেসনা তুরনামেন্ট অসিদা পোইন্ট ৮.৫ ফংদুনা অহুমসুবা পোজিসনদা লৈরে। গুকেস দোমারাজ্‌না মায় পাক্লকপদা ভারতকী প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা নুংঙাইবা ফোংদোরক্লি।

এথলিট ঃ প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা সাউখ কোরিয়াদা পাঙথোকখিবা ২৬ শুবা এসিয়ান এথলেটিক চেম্পিয়নসিপতা চাউনা মায় পাক্লকপবু অপেনবা অমসুং

নুংঙাইবা ফোংদোরক্নি। প্রধান মন্ত্রি এথলিটশিং অসিনা মখা তানা লৈবাক অসিগী মীংচৎ পুরকবসু য়াইফ মঙ্গোল পীখি। নিংশিংবা য়াই, চেম্পিয়নসিপ অসিদা ভারতনা সনাগী তকমান ৮, লুপাগী তকমান ১০ অমসুং শেঙ্গেংগী ৬ ফংবা ঙমখিবনি।

------